# টেংনৌপল অমসুং মোরেদা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম চীং–লেম্না পাঙথোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৫ ঃ টেংনৌপলগী দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা ঙসি টেংনৌপল গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুল গ্রাউন্দদা ৭১ শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম চীং লেম্না পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী মনুং চনবা বোর্দর টাউন মোরেদসু চীং লেম্না পাঙথোকখি।

টেংনৌপল গভর্ণমেন্ট হায়স্কুল গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিপ্যুটি কম্মিস্নর কেঐচ রঘুমণিনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনখি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ভিদিএফ, ১২ অসাম রাইফলস বেন, আশা, অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং, স্কুল মহৈরোইশিংগী কন্টিঞ্জেন্টশিংনা শরুক য়াবা মার্চ পাস কী সলামি দিপ্যুটি কম্মিস্নরনা ওকখি। মার্চ পাস পেরেদ অদু এসদিপিও মোরে লোরেন্স কে মুনলৌনা কম্মান্দ তৌখি।

এসপি টেংনৌপল ডা. এস ইবোমচা সিংহ, ১২ অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট নেকটোর সঞ্জেনবম অমসুং তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।



দিপ্যুটি কম্মিস্নর কেঐচ রঘুমণিনা হায়, অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ওইবনা লৈফম থোকপা ওফিস, ষ্টাফ য়াম্না ৱাৎলি। অদুবু চহী অহুমগী মনুংদা অৱাৎপশিং অসি লৈহন্নবা হোৎনরি। নেসনেল হায়ৱে পাকথোক্তুনা এসিয়ান হায়ৱে ওইবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট অসি হেন্না মপুং ফাবা চাউখৎপসু ওইগনি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা স্কুল মহৈরোইশিংনা ক্লাস টেনগী প্রি বোর্দ এক্সজাম থারবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাঙদুনা মহৈরোইশিং কোচিং তৌহনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা খুলগী খুল্লাকপশিং, খুঞ্জাশিং অমদি ওর্গনাইজেসনশিং কয়াগী লুচিংবশিং অমদি মীয়াম্না শরুক য়াখি হায়রি।

বোর্দর টাউন মোরেগী এদিসি ওফিস কমপ্লেক্সতা ইন্দিপেন্দেন্স দে গী থৌরম পাঙথোকখি। এদিসি মোরে এন বোজেন্দ্রো সিংহনা জাতিগী ফিরাল পাইহনবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা কন্টিঞ্জেন্ট কয়ানা পীবা মার্চ পাসকী সলামি ওকখি।

ওসি মোরে পুলিস ষ্টেসন ঐচ চাউবা, ৭শুবা এমআরগী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট এম দি ফরুক অমদি অতৈ কয়ানা শরুক য়াখি। তুংদা মোরেগী অকোয়বদা লৈরিবা খুলগী চীফশিংদা এদিসিনা অঙাংবা কম্বল অমদি ফুটবোল য়েম্থোকখি।সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংদা সার্টিফিকেট পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

মার্চ পাসতা শরুক য়াখিবা কন্টিঞ্জেন্টশিংদা মনা মথুমসু য়েম্থোকখি। এদিসি গোজেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদি নেসনেল হায়ৱে ১০২ গী পললেদগী মোরে ফাওবা লেন্দ মরি ওইহন্দুনা শেমগৎনবা কন্না হোৎনরি। অধার কার্দ ফোটো নম্বদা মোরেনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ওইরি হায়রদুনা মোরেদা লৈমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপশিং নুংশি চান্নানা লৈমিন্নদুনা ইং–তপ্পা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কেসিপি ফিঙাং লান্মীগী রাইজিং দে হৌখিবা নোংমাইজিংদা পাঙথোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৫ ঃমীয়ামগী ফিঙাং লান্মী (এমএফএল)গী ১৩শুবা রাইজিং দেগী থৌরম সিঐচক্যু, জি–ঐচক্যু, ১৩১ বট্টলিয়ন, ট্রেনিং সেন্টর, মোবাইল য়ুনিটশিং অমসুং য়ুনাইটেদ বেজ কেম্পগুম্বা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আগষ্ট ১৩দা মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে হায়না কংলৈপাক কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি (কেসিপি) গী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। কেসিপিগী মেম্বর–ইনচার্জ, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি এস মঙালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পার্টি অসিগী দিপুটি ফাইনান্স সেক্রেটরি চিঐচ বোবি অমসুং এমএফএলগী জিএসও–২ এন মণি মৈতৈনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইদুনা এমএফএলগী ১৩১ শুবা বট্টলিয়নদা থৌরম পাঙথোকখি। নুমিৎ অদুগী চীফ গেষ্টসু ওইখিবা দিপুটি ফাইনান্স সেক্রেটরি টিঐচ বোবিনা মৈরা চুখৎখি, অদুগা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা এন মণি মৈতৈনা পার্টিগী ফিরাল চিংখৎখি। থৌরম অদুদা এমএফএলগী জিএসও–৩ এম রোবিন মৈতৈ অমসুং কেৱাইকেএলগী এমৱাইএলগী কেম্প কম্মান্দর সঙ্গাইসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। য়ুনাইটেদ বেজ কেম্পতা নাগা আর্মি, এনএসসিএনগী দিপুটি চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ লেপ্টনেন্ট জেনরেল নিকি সুমি অমসুং কেসিপিগী জেনরেল সেক্রেটরী ঐচ পোইরৈনা থৌরমগী মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইখি হায়রি। কেএলওগী চেয়রমেন জিবন সিংহ কোচ, পিদিসিকেগী চেয়রমেন জেকে লিজাং, কেৱাইকেএলগী জেনরেল সেক্রেটরী কে কোরৌ, এনদিএফবিগী জেনরেল সেক্রেটরী বিআর ফেরেঙ্গা, য়ুএলএফএ (আই) গী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী জিবন অমসুং এনএফএলটিগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী সেংফুই বোরোকসু গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা থৌরম অদুদা য়াওখি হায়রি।

এনএসসিএনগী দিপুটি চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ, লেপ্টনেন্ট জেনরেল নিকি সুমিনা নাগা অমসুং এমএফএল ।এমএফএল আর্মিনা কম্মন ওইবা য়েক্নবগা পূন্না লান্থেংনদুনা লাক্লি অমসুং মতুংদসু পূন্না লান্থেংনগনি হায়খ। কম্মন ওইবা য়েক্নবা–ইনিদয়াগা লান্থেংননবা ৱেসিয়া রিজনদা লৈবা মীওই পূম্বা অমত্তা ওইবগী মতম ওইরে হায়নসু মহাক্না হায়খি হায়রি।

কেসিপিগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ পোইরৈনা নাগা ইচিন–ইনাওশিং মরুওইনা এনএসসিএননা কম্মন ওইবা তুংলমচৎকী অনৌবা আশাগী ময়োল চোংনবা ৱেসিয়া রিজনদা মপাঙ্গল শোম্থরকপা রিভোলুসনরি পার্টিশিং ঈশিং চাইরি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মসিগীদমক মখোয়গী লমন তোল্লে। লান্থেং অসিগী লুরবা তানফম অসিদা মখোয়বু কৈদৌঙৈদা কাউরোইদবনি হায়খি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি। "ঐখোয় রিভোলুসনরি আর্মিশিংনি অমসুং অফম্পাগুম্বা অখন্নবা শক্তিশিং পীশিন্দনা মীয়াম্বু নমথনবা থম্বা ইন্দিয়াগী আর্মিশিংদগী তোঙাল্লি হায়বসি কাদর পূম্বনা নীংশিংদুনা লৈনবা অপীল তৌনীংই," হায়না কেএলওগী চেয়রমেন জিবন সিংহ কোচনা হায়খি হায়রি।





"ঐখোয়গী মরক্তা অশেংবা রিভোলুসনরি তোয়না শাবা মীওই খরা ঐখোয়না তোয়না থেংনৈ। মখোয় পার্টি মনুংদা য়েক্নবশিংনি। পার্টি অমদা অশেংবা রিভোলুসনরি অমসুং শাশিন্নবা রিভোলুসনরি খন্দোকপা অরাইবা থবক নত্তে অমসুং মসি লুচিংবশিংগী মরক্তা হেন্না অরুবা ওইরে," হায়না পিদিসিকেগী চেয়রমেন জেকে লিজাংনা ফোঙদোকখি হায়রি।

কেৱাইকেএলগী জেনরেল সেক্রেটরি কে কোরৌনা "কেসিপিগী কমরেদশিং অমসুং কেৱাইকেএলগী পার্থৌশিং কায়নবা য়ারোই অমসুং ঐখোয় পূন্না লেপ্লি অমসুং মতুংদসু পূন্না লৈগনি। ৱেসিয়াগী রিভোলুসনরি পার্টি শিংনা মায়োক্নবা পোলিটিকেল খুরৌ থাংবা পূম্বা লান্থোক্নবা ঐখোয় পূন্না লেপ্লি," হায়খি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

এনদিএফবিগী জেনরেল সেক্রেটরী বিআর ফেরেঙ্গানা "অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অমদা খুৎশম্নানা চৎমিন্নদুনা ৱেসিয়াগী মীয়াম অমসুং রিভোলুসনরি রিজনগী হিষ্টৈরিক ওইবা খোঙথাং অমা থাংবগী মতম ওইরে," হায়খি হায়রি। য়ুএলএফএ(আই) এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি জিবন এসোমনা এমএফএলগী আর্মিনা নীংতম্বগী ইহৌগীদমক লান্থেংনদুনা লাক্লি অমসুং লৈবাক্কীদমক পূন্না লান্থেংনগনি হায়খি হায়রি।

এনএলএফটিগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি সেংফুই বোরোকনা এমএফএলগী আর্মিশিং হোৎনবা কল্লি, থকসি–খাসি ফজৈ অমসুং নীংথিনা ট্রেন তৌরে, মখোয় অশেংবা রিভোলুসনরিশিংনি হায়খি হায়রি।

থৌরম অদুদা, মাঙখ্রবা নীংতম্বা অমুক হঞ্জিন্নবা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খুৎলায় পায়বগী লান্থেং অসিদা থৱায় থাখ্রবা থৌনা ফরবা কাদরশিং অদুদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। গন সেলুট কৎতুনা মিনট অনী তুমিন্না লৈদুনা থৱায়শিং অদুবু ইকায়খুম্নবা উৎখি হায়নসু চেরোল অসিনা হায়রি।

# হায়কোর্টতা 'মায় মোম' রিলিজ তৌখ্রে



এস এন এস

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৫ ঃ ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তারকপদা ইম্ফালগী হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওদিটোরিয়মদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না পুথোকপা অতেনবা ফিল্ম "মায় মোম" অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা রিলিজ তৌখ্রে।

ফিল্ম অসি লো মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার, কোর্ট অসিগী এক্টিং চীফ জষ্টিশ এন কোটিশ্বর অমসুং হায়কোর্ট লিগেল সার্ভিসেস কম্মিটিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা জষ্টিশ খ্বাইরাকপম নোবিননা শরুক য়াদুনা রিলিজ তৌখিবনি।

মিনিট ৩০ মুক শাংবা চাইল্ড রাইটস এন্দ মোব জষ্টিশতা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম অসিগী কনসেপ্ট অমসুং সব–টাইটলনা এল বিরেন্দ্রকুমার শর্মানি। স্ক্রপ্ট অমসুং দিরেক্সন্না বিশ্বামিত্রনা পীরগা মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরী আরকে মেমচানা চীফ কন্সল্টেন্ট ওইদুনা পুথোকপনি।

লমায় ১ গী মখা

# ক্লবকী মীওইশিং থাং পায়দুনা তান্নরক্লে

এমদি অমুবি খানগী মচানুপানি। মহাক হৌজিক ৩শুবা আইআরবিদা রাইফলমেন ওইরিবনি হায়বগা লোয়ননা মীওইসি হিরোইন নম্বর–ফোর অমসুং এসপি কেপসুলনচিংবা য়োনবা মীওইনি।

মহাক্কী ময়ুমদা এসপি কেপসুল অমসুং নম্বর–ফোর লৈবা অমসুং চাবা মীওই নোংমদা মীওই ২০–৩০ মুক লাকই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

# রিমসকী দাইরেক্টর ডা. সান্তনা ওইরগনি

মহাক্না হায়রিবা রিমসকী রেগুলর দাইরেক্টর অমা হাপত্রিবা ফাওবা দাইরেক্টর ওইনা থৌ পুগনি। অহানবগী ওইনা মহাকপু থা তরুক্কী ওফিসিয়েটিং দাইরেক্টর ওইনা খল্লে। অদুবু করিগুম্বা অথুবা মতমদা রেগুলর বেসিস্তা দাইরেক্টরগী পোৎ অসি মেনশিনবা তারগদি মহাক্না পুগদৌরিবা ফম অদু থাদোক্কনি অমসুং মহাক্না হৌজিক পুগদৌরিবা ফম অসিগী মথক্তা মহাক্না পুদুনা লাক্লিবা নেগ্রিমসকী প্রোফেসারগী ফম অসি অদুম্মক পুগনি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

ওর্ডর অদুগী কোপীশিং হৌজিক–হৌজিক রিমসকী দাইরেক্টরগী চার্জ পুরিবা ফোরেন্সিক মেডিকেলগী প্রোফেসার ঐচ নবাচন্দ্র অমসুং মেডিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসার সিঐচ অরুনকুমারদসু কোপী পীদুনা খঙহনখ্রে হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# নরেন্দ্র মোদিগী নিউ ইন্দিয়া ভিজনদা ঐখোয়গী কন্ত্রিব্যুসন পীনবা হোৎনসিঃবিরেন

পার্টিগী কর্ম্মি ওইনা পার্টিগী থবক থৌরমশিংদা মতম চানা শরুক য়াহন্নিংই ।লমদম অসিদা খুন্দারিবা জাতি কাঙলুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা অশোয়বা অসি মতম ঙাক্না চৎপ হৈতবা অমসুং শেলগী ভেল্যু খঙদবা অসিনা অচৌবা অশোয়বা অমা ওইবা থেংনরকই।

মরম অসিনা মতমগী ভেল্যু অমসুং শেলগী ভেল্যু খঙনা মনুং মপান ফাওনা লৈঙাকপা দরকার লৈ। পার্টিনা ইমানি ইপানি হায়বা ৱাখল্লোন্দা থবক তৌবা তাই। লোয়ননা ষ্টেটকী থৌরমশিংদা পার্টিগী এম এল এ মিনিষ্টরশিংনা শরুক য়াহন্নিংই।

লৈবাক অসিগী ওইবা অচৌবা গভর্ণমেন্টকী থৌরমশিংদা শোয়দনা শরুক য়াবা তাই। মতম মতমগী ওইনা থোকপা থৌদোক ৱাথোকশিং লৈগনি। পার্টিগী গভর্ণমেন্ট অমা লৈবগী মহাউ ফংনবা হোৎনমিন্নবা তাই।

গভর্ণমেন্ট অসি হৌজিক তৌগদবা থবক হৌদ্রিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট আমিট সাহনা পামজবা বি জে পিগী আইদিওলোজি মখাদা প্রজাশিংনা খুৎশম্নরগা তৌগদবা থবকশিং হৌজিক হৌদ্রিবনি। হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি ৱার্মঅপনি।

নুমিৎ ১০০ নিগী এচিভমেন্ট অমা উৎখ্রে। ঈশিং ঈচাউ অহুম মরিরক লাকখ্রে। এসেমব্লি সেসন লাকখ্রে। মদুদা গভর্ণমেন্টকী অফ ফত্ত নৈন্নবা দরকার তারি।

সাসন্দা দিসিপ্লিন লৈনা তৌবনা লৈবাক অসিদা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙম্বনি। লমদম অসিদসু দিসিপ্লিন লৈতে হায়বা নত্তে। অদুবু টিম ৱার্ক ওইনা কো ওর্দিনেসন লৈনা থবক তৌবা তাবনি।

মিনিষ্টরশিংনা মহাক মহাক্না পায়রিবা দিপার্টমেন্টশিং অদু কদায়দা করম্বা থাক্তা লৈরি হায়বদু হনগৎনা য়েংবা তাবনি। মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিং পুনশিল্লগা নোংমা নোংমগী রিভিয়ু তৌরগা থবক তৌবা মতমনি ।মীয়ামগী থবক তৌদনা ভোট কাবা য়াগদবা নত্তে।

গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়াম্না থাজবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। মদুমক্তনা ঙরাংমক মীওই ৬৮ খুৎলায় থাদোক্তুনা মেইনষ্ট্রিমদা লাক্তুনা হোম কম্মিং সেরেমোনি পাঙথোকখিবনি। পেন্দবা খরদগী অতোপ্পা লম্বী অমদা চৎলুরবা মতুংদা গভর্ণমেন্ট অসিবু থাজবদগী থোরকপনি। থল্লিবা থাজবা অসি গভর্ণমেন্টনা মাঙহনবীদ্রবদি ময়াম অমা থোরকপা য়াই হায়রিবা অসি চুল্লবনি। মসিগী থাজবা অসি মাঙখিবা মতমদা লৈবাক অসি লোইগদৌরিবনি।

মদুগী থাজবা অসি মাঙহন্দনবা হোৎনবনা ঐখোয়গী ইথৌ ওইবা তাই। লৈরিবা এম এল এ মিনিষ্টরশিং মতম চুপ্পদা পুনমিন্নরগা পার্টিগী অহল লমনশিং অসি মরক মরক্তা চুংশিন্নরগা গভর্ণমেন্ট অমসুং ইশাগী অশোয়বা অসি চুমথোকচনবা তাঞ্জা লৌবা তাই। সেন্তরগী লুচিংবশিংনা হংলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম চাউথোক্না পীবা ঙম্নবা হোৎনবা তাই।

চহী মরি মখায় অসি খ্বাইদগী লুবা শিংনবা অমগা লোয়ননা চৎকদবা মতমনি। নুমিৎ ১০০ নিগী এচিভমেন্ট উৎখ্রে। লেমহৌরিবা চহি অমা অসিগী নুমিৎ ২৬৫ অসিদা করিদা মীৎয়েং থমগদগে হায়বদু য়েংশিনবা চংই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎখি লোয়ননা অনৌবা ইন্দিয়া অমা ওইহন্নবগীদমক লু নানবা, শেঞ্জা থুমজা লৈতবা, তেরোরিজমগী অকিবা লৈতবা, কাঙলুপকী য়েংথিনবা লৈতবা, জাৎ কাঙলুপ খায়দবা ইন্দিয়া অমা শেম্নবা ৱাশক লৌখি।

লমায় ১ গী মখা

# ৭১ শুবা নিংতম নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

গভর্ণমেন্ট অসিনা থবক পায়খৎলকপনি।

গভর্ণমেন্ট অসিনা চীংগী লুচিংবশিংগী নুমিৎ হায়দুনা থা খুদিংগী তাং ১০দা চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলোদা মীয়ামগা উন্নবগী খুদোংচাবা পীরি। মসিদা ইম্ফালদা লাকপা ঙমজদবা চাউখৎ থৌরাংগী মমি তাবা ফংদবা মফম কয়াদগী লাকপা লুচিংবশিংগী অৱাবা তারবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা থাদদুনা অৱাবা কোকহনবা হৌরে।

মসিনা চীংগী লমগী অৱাবা কয়া গভর্ণমেন্ট অসিদা খঙহনবগী খুদোংচাবা অমা পীরি। লোয়ননা চীং অমসুং তমগী মরক্তা হেন্না নকশিন্নবা মরী অমা শাগৎহল্লি।

অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা চীং অমসুং তমগী মরক্তা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া লাওথোক্লিবা অসি চিন্দখক নত্তে। থবক্তা কোন্নবা মদুগী শেনফম য়াওনা লাওথোকপনি। গভর্ণমেন্ট অসিনা চীংদা কেবিনেট মীফম পাঙথোক্নবা লেপ্পবগী মতুংইন্না জুলাই ১৪দা অহানবা ওইনা চুরাচান্দপুর হেদক্বাটরদা কেবিনেট মীফম পাঙথোকখি।

ষ্টেট অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফংগৎহন্নবগীদমক মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী লৈজরিবা রিসোর্ছশিং মোবিলাইজেসন তৌদুনা ইরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হিরমদা মীৎয়েং থম্লি। গভর্ণমেন্ট অসিনা ফাইনান্সিয়েল দিসিপ্লিন লৈহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। লৈবাক অসিদা অহেনবা রিসোর্ছ লাকহন্নবগীদমক জুলাই ১ দগী জি এস টি চৎনবা হৌরে। চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা হেন্না খুমাং চাউশিন্নবা ফন্দশিং রিভিয়ু তৌবা হৌরে। গভর্ণমেন্ট অসিনা স্কিল ট্রেনিংগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং থম্লি। মসিনা লমদম অসিগী নহারোল কয়াদা থবক পীবদা চাউনা মতেং ওইগনি।

এদুকেসনগী লমদা গভর্ণমেন্টনা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা ইলিমেন্টরি এদুকেসন্দা অহেনবা মচাক মথুম কয়া পীদুনা শেমগৎপা হৌরে। ওজাশিংগী ট্রান্সফর পোষ্টিং রিগুলরাইজেসনগী থবক ষ্ট্রিমলাইন তৌবা হৌখ্রে। ভোকেস্নেল এদুকেসন্দা অহেনবা মীৎয়েং থম্লগা চঙশিল্লি।

মণিপুরগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিং শম্নহন্নবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট হিংগৎহন্দুনা বস সর্ভিস লৈহনখ্রে লোয়ননা সিটি বস সর্ভিস হৌদোকখ্রে।

পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা চীংদা কনেক্তিভিটি হেনগৎহন্নবা হোৎনরি লোয়ননা নেসনেল হায়ৱেশিং অসি অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা শেম্বা হৌরে। নোংনা মরম ওইরগা ঈচাউ থোকখিবা অদুনা লম্বী থোং কয়া অকায় অতোয় থোকখিবা অদু গভর্ণমেন্টনা হকচিন্না লৌই। নোং হেক হাঙদোরকপগা লম্বীশিং কোইলাস থাদুনা শেম্নবা গভর্ণমেন্ট অসিনা থৌরাং তৌরে হায়খি।

গভর্ণমেন্ট অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অমসুং ঈ পাউশিং আই পি আরগী খুথাংদা মীয়ামদা য়ৌহন্নবা ৱেভসাইট অমসুং মোবাইল এপ্লিকেসনশিং হাংদোকখ্রে। অনৌবা দিষ্ট্রিক্তশিংগী দি আই ওশিংগী ওফিস হাংদোকপা হৌরে। ৱাৎলিবশিং অথুবদা হাংদোক্লগনি।

লমদম অসিদা অহিং নুংথিল খঙদনা থবক তৌরিবা মীয়ামদা ঈ পাউ য়ৌহনবগী থবক তৌরিবা পাউমীশিংগীদমক জর্নেলিষ্ট ৱেলফেয়ার ফন্দগীদমক লুপা ক্রোর ১০ কোর্পস ফন্দ ওইনা গভর্ণমেন্টনা হাপ্লে।

লমদম অসিদা লৈরিবা তুরিজম পোটেন্সিয়েলশিং অসি নিংথিনা তেপ তৌবা তাবনি। লমদম অসিদা ইন্দষ্ট্রিশিং চাউখৎনবা গভর্ণমেন্টনা অকনবা মীৎয়েং চংলি। মোরেদা শাগৎলিবা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট লোইশিন্নবা হোৎনরি অমসুং মফম অসিদা লৈরিবা মল্টি ষ্টোরি সোপ্পিং কমপ্লেক্স মথৌ তৌহল্লগনি। গভর্ণমেন্ট অসিনা বোর্দর ট্রেদ চাউথোকহন্নবা অহেনবা মীৎয়েং চংলি।

এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মখাদা খা নোংপোক এসিয়া লৈবাক্না লল্লোন ইতিক্কী মরী ফংগৎহন্নবা হোৎনসি হায়খি। মোরে অসি ম্যানমারগা তাইনবা য়াম্না সেন্সিতিব ওইবা মফম অমনি। মসি এক্ট ইষ্ট পোলিসি লাকপা মতমদা নোংপোকথোঙ ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা ম্যানমারগা তাইনরিবা লম্বী অসিগা লোয়ননা বোর্দর তঙ্গ অসি সেক্যুর ওইহনবা চংই। মসিনা মরম ওইরগা অখন্নবা পুলিস টিম থাজিন্দুনা পেট্রোলিং চৎহন্দুনা পামদবা থৌদোক থোকপা থিংনবা থবক লৌখৎপা হৌরে হায়খি।

গভর্ণমেন্ট অসিনা হেল্থ সেক্টরদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটালশিংদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনরি। গভর্ণমেন্ট অসিনা লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎনবা থৌরাং পায়খৎলে।

গভর্ণমেন্ট অসিনা নেসনেল স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি শানবা উরেপ উয়ুং তম্বীনবা প্রাইম মিনিষ্টরদা হায়জখ্রে। পার্লিয়ামেন্টতসু মসিগী বিল পুথোকপখ্রে। য়ুনিভর্সিটি অসি শারিঙৈদা তঙাইফদবা খুমন লম্পাক্তা ক্লাস হৌনবা দরকার ওইবা মচাক মথুমশিং শেমজিনবা লোইখ্রে।

লমদম অসিদা সাইবর ক্রাইম, মী লল্লোনবা য়াওনা থিংনবা থবক কয়া পায়খৎলে। লৈঙাক অসিনা সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসন লিংখৎলে। লমদম অসিদা অন্দু লৈতবা সমাজ অমা ওইহন্নবা থবক পায়খৎলে।

লমদম অসিগী লো অমসুং ওর্দর ফংগৎহন্নবা হোৎনরে। য়ুম থাদোক্তুনা চৎলুরবা মীওই ৬৮ ঙরাং খুৎলায়গা লোয়ননা চংলক্তুনা মেইনষ্ট্রিমদা লাক্লি হায়খি।

# জিরিবামগী লম্বী থোং, মহৈলোইশঙশিং, অনা লায়েংশঙশিং...

হিরম অসিগী মতাংদা সরকারদা কয়ারক হায়খ্রে, পেপ্পরদা প্রেস রিলিজ পীদুনা খঙহন্দুনা সরকারগী মপী–মপাশিংদসু হায়জখ্রে মসিদা নত্তনা সোসিয়েল মেডিয়া (য়ুট্যুব)তসু ভিদিওনচিংবা অপলোদ তৌখি অদুবু মরী লৈনবা কনা অমত্তনা য়েনশিনবীখিদে।

লমদম অসিদা গভর্ণমেন্টগী হায়স্কুল অনী লৈ । মসিগী স্কুল অমদা মহৈরোই ৫০০ হেন্না লাইরিক তম্লি অদুবু তাকপীনবা ওঝাদি শুপ্পতগী ৩ খক লৈ। অতৈ ওঝাশিংনা ইম্ফালদা নুঙাইনা ব্যুজিনেস তৌরগা লৈ। হায়স্কুল অসিদা মহৈরোই ৫০০ হেন্না তম্লিবা অসিদা ওঝা ৩–৪ খক লৈরগা মতৌ করম্না অফবা মহৈরোই, তুংগী য়ুম্বী শেম্বা ঙমগনি হায়নসু পেন্দবা ফোঙদোকখি।

পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিবু খরদা ওইরবসু অহোংবা অমা পুরকপা ঙম্ব্রা য়েংগে হায়বদগী মাইনোরিটি ময়াম্না পুনশিন্দুনা মীহুৎ অমা শেম্লসি হায়দুনা মতিক চাবা চাদবা মমিং লৈবা সোসিয়েল ৱার্কর অমসু ওইবা প্রধানসু ওইরম্বা অসাব উদ্দিন অসি মীয়াম্না মীখলদা থেংনননবা হায়দুনা থাগৎপনি। অদুবু লাইবক ফবদগী মীখলদা মায় পাক্নবা মতুং অনৌবা সরকার অসিদা য়াওরি। অদুবু অনৌবা সরকার অসি কুইদ্রিবনা ওইগদ্রা লম্বী–থোং অমদি মহৈলোইশঙনচিংবা অমত্তা অহোংবা উদ্রি। অদুবু য়েংশিল্লকনি হায়বদি চাওনা থাজবা লৈ অমদি মখা তানা কদাই ফাওবা অহোংবা পুরক্কনি হায়বদুদি য়েংবা তারি। অদুম্মক বারাক সার্কলগী ওইনা অনৌবা বোরোবেক্রা হয়ার সেকেন্দরি হায়না অমত্তা ঙাইরবা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমা অমদি নেতাজি গভর্ণমেন্ট হায়স্কুল হায়না স্কুল অমগা লৈ।

মফম অসিদা লৈরিবা স্কুল অমদি লৱার প্রাইমারি স্কুলশিং অসি অমত্তা লৌখৎপা য়াবা ওইদে। শুম্নতগী মমিংদি লৈবা বিল্ডিংদি লৈতবা, ওঝানা তলব লৌবা, মহৈরোইশিংনসু কাদবা বরাক সার্কলগী ওইনা স্কুল ১২ লৈ। হায়রিবা স্কুল ১২ অসিগী স্কুল ব্যুল্ডিং, মেন পৱারনচিংবা অমত্তা সরকার অসিনা মীৎয়েং চঙবীদ্রি। হিরম অসিগী মতাংদা এমএলএ ওইরিবা অসাব উদ্দিনদসু কয়ারক তকশিনখ্রে। মহাক্নসু কন্না হোৎনরি। মহাক মশাসু মফম অসিদা লাক্কনি হায়বগী থাজবসু পীরকখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

নাকল অমরোমদা গোৱাখালদা লৈবা বোরোবেক্রা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ওঝা শুদবদা নত্তনা ক্লাস রুম কোন্নদবদগী ক্লাস এলেভেন আর্টস অমদি সাইন্সকী মহৈরোইশিং ক্লাস রুম অমত্তদা ক্লাস পুন্না তৌমিন্নদুনা তঙাইফদবা মতমদা ক্লাস এলেভেন অসি লেবোরেটরি রুমদা ক্লাস তৌদুনা য়ানা–য়ানবা শীন্নদুনা লৈহৌরি। পূম্নমকসিগী মথক্তা লম্বী–থোং নাতে চাদবা ওঝাশিংনা জিরিদগী স্কুল ফাওবা লাকপদা পুং ২.৩০ হেন্না চঙবনা মরম ওইরগা ক্লাস মতম চানা হৌবা ঙমদবগী খুদোং চাদবা লৈ হায়না স্কুল অসিগী ওঝা অমনা ফোঙদোকখবগা লোয়ননা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা স্কুল অসিগী অৱাৎপা ওঝাশিং হাপ্পীদুনা লম্বী–থোং অসিবু নীংথিজনা শেম্বীনবসু গভর্ণমেন্টকী পূক্নিং চিংশিনখি।

য়াম্না পূক্নিং নুংশিনিংঙাই ওইবা মওংদা ছোটোবেক্রা গভর্ণমেন্ট স্কুল অসিগী ক্লাস রুমশিংগী থোঙ–থোঙনাও অমত্তা য়াওদনা মহৈরোইশিংবু চাং নাইনা ক্লাস তম্বীহৌরি। লোয়ননা হায়রিবা স্কুল অসিদা মৈতৈ ময়েক্কী ওঝা লৈতবনা মরম ওইরগা সবজেক্ট অসি তম্বীবগী খুদোংচাবা লৈহৌদ্রি। হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংদা অইবা চেরোল পীদুনা অৱাৎপা ওঝা পীবিনবা হায়জখ্রবসু ঙসি ফাওবা পীবিরক্তনা লৈরি হায়না স্কুল অসিগী হেদ মষ্টর সিঐচ ধিরেন্দ্রনা ফোঙদোরকখি। মথঙ মথঙ

# পল্লেল দ্রগ কেসঃ চহী মরি হেল্লবা ফাউবদা...

অদুম ওইনমক ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যুর কোর্দ (সিআরপিসি)গী সেক্সন ১৭৩গী মখাদা সিবিআইনা কেস অহুমসিগী চার্জসিটশিং ফ্রেম তৌরক্লবসু হৌজিক ফাওবদা এজেন্সি অসিগী মায়কৈদগী কেস অসিগী এক্যুইজশিংদা কেস নম্বর আরসি ৪ ।এস ।২০১৩গী চার্জসিট কোপী অমসুং রিলিভেন্ট পেপর (দোকুমেন্ট)শিং পীবা নত্তনা অতোপ্পা কেস অনী আরসি ৫ ।এফ ।২০১৩ অমসুং আরসি ৬ ।এম ।২০১৩ গীদি চার্জশীট কোপিশিং অমসুং রিলিভেন্ট পেপরশিং ঙসি ফাউবদা কেসশিং অসিগী এক্যুইজশিংদা পীথোকপা ঙমদ্রি।

মসিনা মরম ওইদুনা দ্রগশিং অদু ফাখিবা ঙসি চহী মরি হেল্লক্লবা ফাওবদা কেস অহুম্মক অসিগী চার্জসিটতা য়ুম্ফম ওইবা চার্জ কন্সিদরেসনগী থবক চখবা ঙমদবনা কেসশিং অসিগী এক্যুইজশিংগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌবা ঙমদনা লৈরি। অদুগা কেস অসিগী মনুংদা অহানবা কেস ওইরিবা আরসি ৪ ।এস ।২০১৩গী চার্জসিট কোপীশিং অমসুং রিলিভেন্ট পেপরশিং মসিগী এক্যুইজশিংগী খূৎতা য়ৌহল্লকপসু শুপ্পতগী থা অনী খরা হেনবদা ঙাইরি।

পনবা য়াবদি দ্রগশিং ফাখিবা থৌদোক্তুগী মতাংদা রেজিষ্টার তৌদুনা পুলিসনা লৌখৎখিবা কেসশিং অদুগী অপুনবা এক্যুইজ ৪০নি।

মখোয়গী মনুংদা এফআইআর নম্বর ২৬(২)২০১৩দনা কর্নেল অজয় চৌধুরি অমসুং অতোপ্পা এক্যুইজ নিপান, এফআইআর নম্বর ২৭(২)২০১৩দনা লুনখোহাও হাওকিপ অমসুং অতোপ্পা এক্যুইজ ১৫ য়াওরগা এফআইআর নম্বর ২৮(২) ২০১৩দনা লেটমিনলাল হাওকিপ অমসুং অতোপ্পা এক্যুইজ ১৪ য়াওরিবনি।

হৌজিক কোর্টসিদা ওইরিবা কেস অহুমসিগী ফিভমসিগী মথক্তা কেসশিং অসিগী মনুংদগী এক্যুইজ অনীগী মতাংদদি করিগুম্বা লংলা–লংজিন অমা ফাউবা খঙদনা হৌজিক ফাউবদা লৈরক্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# কন্টিঞ্জেন্ট ৪৩ না মার্চ পাসতা শরুক য়াখি

পুলিস মেদল ফোর কম্ম্যুনিতি সর্ভিস ফংখ্রবা মীওইশিং অদুদি কে মেঘচন্দ্র, এম পি এস এস পি থৌবাল,ইন্সপেক্টর য়াইখোম শান্ত সিংহ অমসুং কন্স–টেবল ওক্রম য়াইফরেম্বা মীতৈনি। লোয়ননা পুলিস ট্রোফি ফোর এন্টি দ্রগ কেম্পেইন ফংখ্রবশিং অদুদি কবিব কে আই পি এস এস পি ইম্ফাল ইষ্ট, এস আই ঐচ খোয়াঙম মরিং, নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়ার্স ওফ বোর্দর অমসুং হবিল্ডার এম দি ইস্লামুদ্দিন অনীশুবা এম আরগী পার্সোনেলনি। মখোয়দা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২০, ট্রোফি অমসুং কমেন্দেসন সর্তিফিকেট অমমম য়াওরি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মুগা চিংনবা মশানা ৱাখল পুথোকচদুনা মেছিন শাবা শামুরৌ বজারদগী ৱাঙ্খেমযুম সান্ত সিংহদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০, সর্তিফিকেট অমা অমসুং মেদিয়ম তার্ম লোন লুপা লাক্ষ ৫গা খুৎশিন্নখি। লোয়ননা খ্বাইদগী লু নানবা তাউনশিংদা পীবা ষ্টেট লেভেল স্বাচতা এৱার্দ, ২০১৭ সু চীফ মিনিষ্টরনা খূৎশিন্নখি। মনা অসিদা চুরাচান্দপুরনা অহানবা, ইম্ফাল ৱেষ্টনা অনীশুবা অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা অহুমশুবা ফংখি।

# ঙসিগী মীরোলনা অপুনবগী শক্তম ঙাক্তুনা থমসিঃ ইবোবী

ভারতকী মীয়াম্না পীরকপা থৌদাং অদু ইকায় খুম্নগনি হায়খি ।মহাক্না মখা তানা হায়, ভারতকী নীংতম্বা অমদি অপুনবগী শক্তম ঙসিগী মীরোলনা ঙাক্তুনা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা লৈমিন্নরবা মতমদতা চাউখৎপা লমদম অমা ওইরক্কনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।